# হোক্কি ইন্দিয়ানা টেক্নিকেল দেলিগেট অমসুং টেক্নিকেল ওফিসরশিংগী ওইবা ওনলাইন ৱার্ক্সোপ পাঙথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):
হোক্কি ইন্দিয়ানা হৌখিবা থাদা লুপ অসিদা রেজিষ্টার তৌরবা টেক্নিকেল দেলিগেটশিং অমসুং অম্পেয়র মেনেজরশিংগী ওনলাইন ৱার্ক্সোপ মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙমখ্রবা মতুং ঙরাং হোক্কি ইন্দিয়ানা অমুক্কা হন্না রেজিষ্টার তৌরবা টেক্নিকেল দেলিগেট অমসুং টেক্নি কেল ওফিসরশিংগী ওনলাইন ৱার্ক্সোপ অমসু পাঙথোকখ্রে।

খোঙথাং অসি হোক্কি ইন্দিয়ানা ওনলাইন ৱার্ক্সোপ্তা শরুক য়াখিবা মশান্না অসিগী টেক্নিকেল ওফিসলশিংগী থবক থৌরমশিংদা অহেনবা পুরক্লবা হোৎনবনি। ইন্টর্নেসনল হোক্কি ফেদরেসন (এফ আই ঐচ) ৱর্ল্ড পেনেল/এফ আই ঐচ প্রো লীগকী টেক্নিকেল ওফিসলশিং অমসুং ইন্টর্নেসল হোক্কিনা সর্টিফাই তৌরবা এদ্যুকেটর মোঘুল মহমদ মুনিরনা ওনলাইন ৱার্ক্সোপ অদু ঙরাং কন্দক্ট তৌখি।

ৱার্ক্সোপ অদুদা এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা হোক্কি ইন্দিয়াদা রেজিষ্টর তৌরবা টেক্নিকেল দেলিগেট পুন্না ২২না শরুক য়াখি। ৱার্ক্সোপ অদু মরু ওইনা ইন্টর্নেসনল হোক্কি ফেদরেসনগী কম্পিটিসন পোলিসিশিং অমদি প্রোসিজরশিংগী মখাদা মেচ সেদ্যুল শেম্নবগী মরম্না হেন্না কুপ্না নৈনখি। মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা অহানবা ওনলাইন ৱার্ক্সোপ অদুদা ওফিসলশিংগী পর্ফোমেন্স রিপোর্টকী মতুং ইন্না মখোয়না মেচ অমা কন্দক্ট তৌবা মতমদা হান্নদগী হেন্না ফবা অমদি মগুন লৈবা মেচ অমা পুরকপা ঙম্নবগীদমক খন্ন-নৈনখি।

মমাঙগী ৱার্ক্সোপ অদুদা তোঙান-তোঙানবা তাঙ্কক লাকপা মতমদা করম্না মেচ সেদ্যুলশিং অদু শেম্বা হৈননবা কন্দক্ট তৌখি। ঙরাংগী ৱার্ক্সোপ অদুনা টেক্নিকেল দেলিগেটশিং অদুনা মমাঙ থাদা পীখিবা ফিটবেগ অদুনা য়ুস্ফম ওইরগা ইন্টর্নেসনল হোক্কি ফেদরেসনগী এদ্যুকেটর অদুদা চিংনবা অমদি খঙদবা লৈবশিং অদু হংদুনা ক্লেয়র ওইখি। লোয়নন্না ইন্দিয়াদা ওফিসিয়েটিংগী ষ্টেন্দার্দ অসি ৱাংখৎনবা হোৎনখি।

হন্দক্তা নৌনা হোক্কি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টগী থৌ পুরবা গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা লৈবাক অসিদা ৱার্ক্সোপ অদুনা টেক্নিকেল ওফিসরশিংদা মখোয়না মথৌ পাঙথোকপা মতমদা ষ্টেন্দার্দ ৱাংখৎপগী মতেং পীগনি হায়খি।

# মণিপুরদগী হরিমোহন, বাসুম, কেনেদি অমসুং অরুনকুমার এসিস্টেন্ট রেফরি কোর্সতা শরুক য়াখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):
ফুটবোলগী মালেমদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লুপ ওইরিবা ফিফাগী এম এ কোর্স অদু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনন্না শীন্দুনা নুপী ওফিসল অনী য়াওনা এসিষ্টেন্ট রেফিরি ৫০না শরুক য়াদুনা ওনলাইনদা জুলাই ২৪দা লোইশিনখিবা অদুদা মণিপুরদগী লাইশ্রম হরিমোহন, রিনকাহাও বাসুম, সাপম কেনেদি অমসুং নামৈরাকপম অরুনকুমার য়াওখ্রে।

নুমিৎ নীনি চুপ্না চথখিবা ফিফা এম এ কোর্স অদু কুমজা ২০১৮গী রসিয়া ফিফা ৱর্ল্ড কপ য়াওনা মমাঙগী ৱর্ল্ড কপ অহুম অমদি এ এফ সী এসিয়ন কপকী এদিসন অনীদা টেক্নিকেল দিরেক্টর ওইখিবা উজবেকিস্তানগী ফরখাদ অব্দুলেকনা কোর্স অদুগী ইনষ্ট্রক্টর ওইনা শরুক য়াখি।

কোর্স অদুদা ইনষ্ট্রক্টর অদুনা ওফসাইদ রুলসকী অনৌবা মওংদা শরুক য়াখিবা এসিদেন্ট রেফরিশিং অদুদা ময়েক শেংনা খঙহনখি। রেফরিশিং অদুগী মায়কৈদগী অশোনবা লৈরিবশিং অদু খঙদোক্নুনা হেন্না ফজবা দিসিজন লৌবা ঙম্নবা তাকপী তন্বীখি।

ইনষ্ট্রক্টর ওইরিবা ফগাদ অব্দুলেবনা ফোঙদোকখিবদা অতোপ্পা লৈবাক্তা তৌনদবগুম ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী রেফরি দিপার্টমেন্টনা এসিষ্টেন্ট রেফরিশিংগী এদ্যুকেসন অদুদা থৱায় য়াওনা মীৎয়েং চঙশিল্লি। ওনলাইন কোর্স অদুদা তোঙান-তোঙানবা লোকেল এসিষ্টেন্ট রেফরিশংনা পাঙথোকখিবা ভিদিও টেষ্ট অমসুং গ্রুপ দিসকসনগী রিজল্ট অদু এনলাইস তৌরবা মতুং মমুৎ তানা খঙলবা ইনষ্ট্রক্টরশিং অদুনা মখা তাবা কোর্সকীদমক শেম শাখি।

ওনলাইন কোর্স অদুদা শরুক য়াখিবা ফিফাগী পেনেল ফংলবা এসিষ্টেন্ট রেফরি ওইরিবা জে টোনিনা ফোঙদোরকখিবদা কোর্স অসিনা ফিল্ডদা ৱারেপ লৌবগী তোঙান-তোঙানবা মচাকশিং অদুগী মায়কৈদা হান্নদগী অহেনবা কান্নবা কয়া ফংখি।

এসিষ্টেন্ট রেফরিশিংনা পেনাল্টি এরিয়া মনুংদা হেন্দ বোল তাবা নত্রগা ওফসাইদ তাবনচিংবা তাঙ্কক্তা রেফরিশিংগী দিসিজন অদু য়াম্না মরু ওইবনা হায়রিবা এরিয়া অদুদা অহেনবা মীৎয়েং চংশিনখি।

# বিএল চেছতা হরিকৃষ্ণ ৩শুবদা লৈরি, লিজেন্দস ওফ চেছতা অনন্দ মঙারক হন্না মায়থীরি



বিএল/চেন্নাই, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):
স্বিজর্লেন্দগী সিটি বিএল চেছ ফেষ্টিভেলদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পেন্তালা হরিকৃষ্ণ ৩শুবা থাক্তা লৈরি। অমরোমদা মেগনস কার্লসনন্না পাঙথোকপা ওনলাইন চেছ টুরগী ওইনা লিজেন্দস ওফ চেছতা ইন্দিয়াগী বিস্বানাথন অনন্দ থংন-থংনন্না মঙারকশুবা ওইনা মায়থীবা নংলি।

স্বির্জেলন্দগী বিএল চেছ ফেষ্টিভেল অসি শান্নরোয় ৮না শরুক য়াদুনা চেছ মশান্নগী ফোর্মেট অহুমদা শান্নরোয়শিং অদুনা রাউন্দ রোবিনদা লম্বা তৌনবনি। ব্লিটচ গেমগী ১৪ শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পেন্টালা হরিকৃষ্ণনা ফ্রান্সকী গ্রান্দমাষ্টর আর এদৱার্দপু মুভ ৩৭তা য়াম্না কোম্না মায়থীবা পীদুনা অপুনবা রাউন্দ ৪৪ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ২৪.৫ ফংদুনা অহুমশুবা থাক্তা লৈরি।

পেন্টালা হরিকৃষ্ণনা ব্লিটচ রাউন্দ ফোর্মেটতা অঙৌবা মচু পায়দুনা এদৱার্দকা লম্বা তৌনরকপদা গেম অদু মুফ ৩৭শুরকপদা এদৱার্দকী মায়কৈদগী খোঙচৎ ফজবা লৈরক্তবদগী সরেন্দর তৌখিবনি।

রাউন্দ ৪৪ লোইশিল্লকপদা পোলেন্দগী আর ৱোষ্টাজেকনা পোইন্ট ৩১.৫ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইরি। অদুগা ইংলেন্দগী মাইকেল অদামসনা পোইন্ট ২৭.৫ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

লিজেন্দস ওফ চেছ ওনলাইন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিশ্বানাথন অনন্দ ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৫শুবা রাউন্দ মেচতা হঙ্গেরিগী গ্রান্দমাষ্টর পিটর লিকোগা লম্বা তৌনবদা পোইন্ট ২-৩দা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা বিশ্বানাথন অনন্দ রাউন্দ অমত্তা মায় পাকপা ঙমদনা লৈরি।

গেম ৪ শান্নবা রাউন্দ অদুদা অনন্দনা অহানবা গেম থোইরবসু মখা তাবা গেম অনী দ্রো চৎলবা মতুং ৪শুবা গেম অদু লিকোনা থোইদুনা টাইবেক ব্রেগ ওইরিবা অর্মাগেদন মেচতা অনন্দ মায়থীখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা নোরৱেগী মেগনস কার্লসনন্না য়ুক্রেনগী বাসিল ইভানচুকপু মায়থীবা পীরগা মকোক্তা লৈরি।

# ৱেষ্ট ইন্দিজকী অহানবা ইন্নিংস রন ১৭৯তা লোইশিনখিবদগী ইংলেন্দনা রন ২৮৬ হেন্দুনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরি



মেনচেষ্টর, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):
ৱেষ্ট ইন্দিজ অমসুং ইংলেন্দনা শান্নরিবা অহুমশুবা টেষ্ট মেচকী ঙসি হুম্নি শুবা নুমিৎতা ৱেষ্ট ইন্দিজগী অহানবা ইন্নিংস রন ১৯৭তা লোইশিনখিবগা লোয়নন্না ইংলেন্দনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নবা হৌখিবদা ৱিকেট অমা তুরগা রন ১১৪ লৌদুনা লৈখিবদগী পুন্না রন ২৮৬ হেন্দুনা পাউ চে অসিনা ফংখিবা অথেংবা মতমগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না ইংলেন্দ বেট্টিং তৌরি।

নীংশিংবা য়াই, থা অসিগী ২৪দগী হৌখিবা অহুমশুবা টেষ্ট মেচ অদুগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌরকপদা ইংলেন্দনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংসতা রন ৩৬৯ লৌবা ঙমখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ওলিপোপনা রন ৯১ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। জোর্স বটলরগী রন ৬৭, ষ্টোট ব্রোদকী রন ৬২ অমসুং রোরি বর্ন্সকী রন ৫৭ পনবা য়াবা স্কোর ওইখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী অহানবা ইন্নিংস অদুবু ইংলেন্দগী বোল্লর ষ্টোর্ট ব্রোদনা মচেৎ তানা থুগাইখি। মহাক্না ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটচমেন ৬ শুপ্পগী রন ৩১ খক পীরগা আউট তাহনখি। ৱেষ্ট ইন্দিজগী অহানবা ইন্নিংস অদুদা কেপ্টেন জেসন হোল্ডরদা রন ৪৬ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি।

৮শুবা বেটচমেন সোন দোরিসনা রন ৩৭ লৌখিবা অমসুং ওপনর জোন কেম্বেলনা রন ৩২ লৌখিবা অদু পনবা য়াই। জর্মেন ব্লেকৱুদ রন ২৬ অদুগা সাই হোব রন ১৭ লৌরম্বা অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটচমেনশিংদি রন ১০ লাম্হোকপা ঙমদনা আউট ওইখি।

ইংলেন্দনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস হৌরকপদা ৱেষ্ট ইন্দিজতগী রন ১৭২ হেনখিবনি। অদুবু ওপনর রোরি বনর্স অমসুং দোমিনিক সিব্লেনা হাফ সেঞ্চুরি লৌদুনা ইংলেন্দগী অনীশুবা ইন্নিংস ফজবা হৌখি। দোমিনিক সিব্লে রন ৫৬তা আউট ওইখি।

# জপান লীগকী মেচ অমা শান্নরোয় পোজিটিভ ওইরকপদগী য়েথোকখ্রে

টোকিও, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):
জপানগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা জে-লীগকী ঙসি শান্নগদবা মেচ অমা শান্নরোয় ২ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনবদগী য়েথোকখ্রে।

ঙসি সানফ্রিস হিরোসিমা অমসুং নাগোয়া গ্রেমপসগী মেচ অমা শান্নগনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু নাগোয়া গ্রেমপসকী শান্নরোয় ২ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবদগী মেচ অদু য়েথোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, জে-লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখিবা থাদগী মখা চথুদুনা ষ্টেদিয়মদা ভাবোকশিং চংহন্দুনা শান্নরুরবনি।

টোকিও অমসুং ওসাকা সিটিদা নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী কেস কয়া থেংনরকপা অসিনা মফমশিং অদুদা লায়না লাইচৎ অসিগী অনীশুবা ৱেব লাক্লগদ্রা হায়না চাওনা মীপায়নরি। নাগোয়া গ্রেমপস ফুটবোল টিমনা শান্নরোয় অমসুং ওফিসল ৬০ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা শান্নরোয় ২ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি।

থাংজ নুমিৎতা জপানদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৮০৯ থেংনখি। থা অমগী মমাঙদা লৈবাক অদুদা ভাইরস অসি পোজিটিভ ওইবা মীওই শুপ্পগী মীওই ৯৯ ওইখি। অদুগা মে ২৬তনা শুপ্পগী মীওই ২৭ খক পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি।

জপান লীগকী চেয়রমেন মিটসুরু মুরাইনা মিদিয়াদা ফোঙদোরকপা ৱাফমদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুং নাগোয়া গ্রেমপস অমসুং সেনফ্রিসকী মেচ য়েথোকখিবনি।

# কোভিদ-১৯ লাইচৎ মনুংদা লমজেলগী কম্পিটিসনদা শরুক য়াখিবা স্রবানিনা ইন্দিয়াগী অহানবা এথলেট ওইখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):
জমাইকাদা চহী অসিগী হৌরকপদগী ট্রেনিং চথুদুনা লৈরিবী ইন্দিয়াগী এথলেট স্রাবানি নন্দনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ মনুংদা এথলেটিক্সকী কম্পিটিসন শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অহানবা এথলেট ওইরে।

কিংষ্টন সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ভেলোসিটি ফেষ্ট কম্পিটিসন অদুদা স্রাবানি নন্দনা মিটর ১০০গী লমজেলদা শরুক য়াগদৌরি। চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা স্রাবানি নন্দনা এম ভি পি ট্রেক ক্লবকী মায়কৈদগী মহুৎ শীন্দুনা সেকেন্দ ১১.৭৮ চেন্দুনা মিটর ১০০গী লমজেল অদুদা ওভরওল ওইনা ৩শুবা পোজিসন তাখি। হায়রিবা কম্পিটিসন অদুদা হৌজিক হৌজিক ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইরিবা ইলেন থোমসন অমসুং লমজেলদা মমিং লৈরবী এথলেট সেলি আন ফ্রেজরসু য়াওখি।

স্রাবানি নন্দনা ইকোক কোন্না ইন্টর্নেসনল মেদল ফংখিবা অদু ওরিষাগী কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা এসিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা মিটর ৪x১০০ রিলে লমজেলদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি। নন্দনা কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ক্বালিফাই ওইননবা কন্না হোৎনরি।

সেরি এ ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০

# ইন্টরনেজিওলগী রোমেলু লুকাকুনা পাঞ্জল ২ চন্দুনা না জেনুৱাবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে

রোম, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):
রোমেলু লুকাকুনা চনখিবা পাঞ্জল ২না ইন্টরনেজিওল ফুটবোল ক্লবনা জেনুৱাবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা সেরি এগী টাইটল ফংবগী য়াম্না অপীকপা লম্বেল অমা লৈখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেরি এগী ৩৬শুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা ইন্টরনেজিওল মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৭৬ ফংবা ঙমখি। লীগ অসিগী জুবেন্টসনা মেচ ৩৫ শান্নখিবদা পোইন্ট ৮০ ফংদুনা লৈরি।

করিগুম্বা জুবেন্টসকী মখা তাবা মেচ ৩গী মনুংদা ২ মায়থীরগা অমা দ্রো চৎলবা নত্রগা অহুম্মক মায়থীবা নংলবা মতুং ইন্টরনেজিওলনা মখোয়গী লেমহৌবা মেচ অনী মায় পাকপা ঙম্লবা মতমদতা ইন্টরনেজিওলনা লীগ অসিগী টাইটল ফংবগী অপীবা লম্বেল অমা লৈখিবনি। অদুবু জুবেন্টসনা মেচ অমা মায় পাকখ্রবা ইন্টরনেজিওলগী লম্বেল অদু লৈরোইদৌরি। মেচ ৩গী মনুংদা জুবেন্টস ৩মক মায়থীবা হায়বসি থাজবগী ৱাংমদা লৈরি।

ইন্টরনেজিওলনা জেনুৱাগী মায়োক্তা শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা রোমেলু লুকাকুনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৮৩ শুবা মিনটতা এলেসিস সানচেসনা চনখিবনি। অদুগা ৯০ শুবা মিনটতা লুকাকুনা অমুক হন্না পাঞ্জল অমগা চনখিবনি।

অতোপ্পা মেচ অমদা নাপোলিনা সাসুরোবু পাঞ্জল ২-০দা থোইখি। এলসিদ হিসাজ অমসুং অলাননা টিম অদুগী পাঞ্জলশিং অদু চনখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Juventus | 35 | 25 | 5 | 5 | 73 | 38 | 35 | 80 |
| 2 | Inter | 36 | 22 | 10 | 4 | 77 | 36 | 41 | 76 |
| 3 | Atalanta | 36 | 22 | 9 | 5 | 96 | 45 | 51 | 75 |
| 4 | Lazio | 35 | 22 | 6 | 7 | 71 | 38 | 33 | 72 |
| 5 | Roma | 35 | 18 | 7 | 10 | 69 | 47 | 22 | 61 |
| 6 | Milan | 36 | 17 | 9 | 10 | 56 | 45 | 11 | 60 |
| 7 | Napoli | 36 | 17 | 8 | 11 | 58 | 47 | 11 | 59 |
| 8 | Sassuolo | 36 | 13 | 9 | 14 | 64 | 62 | 2 | 48 |
| 9 | Verona | 35 | 11 | 13 | 11 | 43 | 43 | 0 | 46 |
| 10 | Parma | 36 | 13 | 7 | 16 | 51 | 52 | -1 | 46 |
| 11 | Bologna | 36 | 12 | 10 | 14 | 50 | 58 | -8 | 46 |
| 12 | Fiorentina | 35 | 10 | 13 | 12 | 43 | 45 | -2 | 43 |
| 13 | Cagliari | 35 | 10 | 12 | 13 | 50 | 52 | -2 | 42 |
| 14 | Sampdoria | 35 | 12 | 5 | 18 | 46 | 58 | -12 | 41 |
| 15 | Udinese | 35 | 10 | 9 | 16 | 34 | 49 | -15 | 39 |
| 16 | Torino | 35 | 11 | 5 | 19 | 42 | 63 | -21 | 38 |
| 17 | Genoa | 36 | 9 | 9 | 18 | 44 | 68 | -24 | 36 |
| 18 | Lecce | 36 | 8 | 8 | 20 | 45 | 79 | -34 | 32 |
| 19 | Brescia | 36 | 6 | 6 | 24 | 34 | 76 | -42 | 24 |
| 20 | SPAL | 35 | 5 | 4 | 26 | 25 | 70 | -45 | 19 |

কোরিয়া লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১

# জিওনবুক এফ সীনা এফ সী সিওলবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা মাংজিল থারিবা ক্লব উলসান হুন্দাইদগী শুপ্পগী পোইন্ট ৩ খক হন্থরগা ৩শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে

সিওল, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):
এসিয়াগী মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা কোরিয়া লীগ ১ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ১৩শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা জিওনবুক এফ সীনা এফ সী সিওলবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ টেবলদা মাংজিল থারিবা উলসান হুন্দাইদগী পোইন্ট ৩ হন্থরগা ২৯ ফংদুনা নকশিনখ্রে।

মেচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম ১২না লম্বা তৌনরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা পোজিসনদা লৈরিবা এফ সী সিওলগী মায়োক্তা জিওনবুক এফ সীনা পাঞ্জল ২ মাংজিল থাবা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা গিয়ো ৱোন হান্ননা চনখিবনি। অদুগা অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফকী অরোইবা মীৎকুপ্তা টিম অদুগী শান্নরোয় সিয়ুং কি লিনা চনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগী মিনট ১৮ চংশিল্লকপদা মখা তানা এটেক তৌবা হেনখিবা জিওনবুক এফ সীগী মায়কৈদগী কুষ্টাভোনা অহুমশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু মখোয়না এফ সী সিওলবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখি।

ঙসি অতোপ্পা মেচ অমদা দেগু এফ সী অমসুং বুসান আই পার্ক লম্বা তৌনখি। মমাঙগী রাউন্দ ১২ লোইশিল্লকপদা দেগু এফ সী পোইন্ট ১৯ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈখি। অদুগা বুসান আই পার্কনা চপ মান্নবা মেচ মশিংদা পোইন্ট ১৫ ফংলগা ৭শুবদা লৈখি।

দি জি বি দেগু বেঙ্ক পার্কতা শান্নখিবা মেচ অদুগী শুপ্পগী ৭ শুবা মিনটতা দেগু এফ সীগী মায়কৈদগী দেজান দামজানোবিসনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা মখা তানা দেগু এফ সীগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমদা চেসিনানা পাঞ্জল চন্দুনা হাফ অদু ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপদা বুসান আই পার্ককী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লাকখি। মেচ লোইগদবা মিনট ২০ ৱাৎলিঙৈদা দেগু এফ সীগী মায়কৈদগী জে মুন রিয়ুনা টিম অদুগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু ৭০শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা বুসান আই পার্কপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখিবগা লোয়নন্না পুন্না পোইন্ট ২২ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা রাউন্দ ১২ লোইশিল্লকপদা মেচ অমা ফাওবা মায় পাকপা ঙমদ্রিবা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরিবা ইঞ্চিওন য়ুনাইটেদকা ঙসি ৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা পোহাং ষ্টিলর্সকা লম্বা তৌনখি।

পুংখাই অমরোম মতম য়ৌরমদাই ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লাকখ্রবা মতুং মেচকী ৩০শুবা মিনটতা ইঞ্চিওন য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ষ্টেফান মুগোসানা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা পোহাং ষ্টিলর্সপু ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

টিম অনীনা পোইন্ট টেবলদা লৈনরিবা পোইন্টকী থাক অদু য়েংলুরবদি পোহাং ষ্টিলর্সনা ইকোম কোম্না মায় পাক্কদবা মানখি। অদুবু মখোয়গী মথক্তা ইঞ্চিওন য়ুনাইটেদনা পাঞ্জল অমা চনশিনখিবনি। ৩৪শুবা মিনটতা পোহাং ষ্টিলর্সকী ষ্টানিস্লাব ইলজুদচেনকোনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা ১-১দা দ্রো চৎখি।



| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Ulsan Hyundai | 13 | 10 | 2 | 1 | 32 | 9 | 23 | 32 |
| 2 | Jeonbuk FC | 13 | 9 | 2 | 2 | 21 | 8 | 13 | 29 |
| 3 | Pohang Steelers | 13 | 7 | 3 | 3 | 26 | 15 | 11 | 24 |
| 4 | Sangju Sangmu | 13 | 7 | 3 | 3 | 15 | 16 | -1 | 24 |
| 5 | Daegu FC | 13 | 6 | 4 | 3 | 25 | 16 | 9 | 22 |
| 6 | Gangwon FC | 13 | 4 | 3 | 6 | 16 | 20 | -4 | 15 |
| 7 | Busan I'Park | 13 | 3 | 6 | 4 | 14 | 17 | -3 | 15 |
| 8 | Seongnam FC | 13 | 3 | 5 | 5 | 9 | 14 | -5 | 14 |
| 9 | Suwon Bluewings | 13 | 3 | 4 | 6 | 13 | 16 | -3 | 13 |
| 10 | Gwangju FC | 13 | 3 | 2 | 8 | 10 | 19 | -9 | 11 |
| 11 | FC Seoul | 13 | 3 | 1 | 9 | 10 | 29 | -19 | 10 |
| 12 | Incheon United | 13 | 0 | 5 | 8 | 7 | 19 | -12 | 5 |

RM/H-17-Adv/2020/05
PRESS RELEASE
Imphal , the 26th July, 2020
In view of current Covid19 status, Raj Medicity's OPD shall be discontinued with immediate effect untill further notice.
Only Emergency services will be available after prior telephonic appointment.
Visitors are strictly restricted.
Please contact +91 9366324204
Sd/-
Dr. Aribam Ibotombi Sharma
Medical Superintendent
RAJ MEDICITY
HUMANITARIAN SERVICE WITH DEDICATION
Regd. No. MNHCR/NO/060/NH/2004
JAS-ANZ
An ISO 9001:2015 Certified Multi-speciality Hospital
HL/P/7415/27

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com